# ঙসি লোক সভাদা লোক পাল বিল পাস তৌখ্রে

## অনা হজারেগী মতম কক্তনা চরা হেনবগী খোঙজং লোইশিনখ্রে



*ন্যু দেলি, দিসেম্বর ১৮:* ঙসি লোক পাল অমসুং লোক অয়ুক্তা বিল ইং ২০১১ লোক সভাদা পাস তৌখ্রে। বিল অদু পাস তৌখিবগা লোয়ননা সোসিএল এক্টিভিষ্ট মতম কক্তনা চরা হেল্লকপগী খোঙজং ঙসি লোইশিনখ্রে।

রাজ্য সভাদা এন্টিগ্রাফ্ট লেজিসলেশন্না শেমদোক-শেমজিন তৌখিবগী নোংমা কোনবদা বিল অদু পাস তৌখিবনি। হাউসতা মোশন অদু ভোইস ভোটনা পাস তৌখি। অদুবু সমাজৱাদি পার্টিদি হাউসতগী মপান থোকখিবনা য়াওখিদে। লোয়ননা মুলয়াম সিংহ য়াদবনা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিদা বিল অদু সভাদগী লৌথোক-খিননবা হায়জখি।

ওপোজিশন পার্টিগী লুচিংবী সুসমা স্বারাজ অমসুং কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিসু হাউস অদুদা বিল অদু পাস তৌননবা খন্ন-নৈনবদা শরুক য়াখি। কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট অদুনা চত্থরিবা নীংথম মীফম অদু মখা তানা শাংদোক্লবা ৱাফম পুখৎলকখি। মরমদি চত্থরিবা মীফম অদুদা করপশনবু লাকিশিন্নবা অতোপ্পা বিল কয়াসু পাস তৌগদবা লৈ হায়খি।

সুসমা স্বারাজনা হায়খিবদা, বিল অদু পাস তৌবগী ক্রেদিট অনা হজারে অমসুং লৈবাক অসিগী প্রজাশিংদা পীনিংই। অনা হজারেনা মপাঙ্গল কনবা লোক পাল বিল অমা পুথোক্লবা চরা হেল্লকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খিবদা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী অপান্বা মতুং ইন্না করপশনগী মায়োক্তা অকনবা বিল অমা দরকার লৈ। রাজ্য সভানা বিল অদুগী পোইন্ট ১৫ শেমদোক্তুনা লোক সভাদা পীথরকখিবগীদমক নুংঙাইবসু ফোঙদোকখি।

লোক সভানা অয়াবা পীখ্রবনিনা বিল অদু প্রসিদেন্টতা থাগৎতুনা লো অমা ওইহন্নবা হোৎনরগনি।

চত্থরিবা নীংথম মীফম অদুদা ঙসি পাস তৌরিবা পাস তৌরিবা বিল অসিনা হাউস অদুনা পাস তৌবা অহানবা বিলনি।

রালেগান সিদ্ধিদা চরা হেল্লিবা অনা হজারে অমসুং মহাকপু শৌগৎপশিংনা বিল অদু পাস তৌরকপদা হরাও-তয়াম্বা ফোঙদোকখ্রে। সোসিএল এক্টিভিষ্ট অদুনা বিল অদু পাস তৌবগীদমক নুমিৎ ৯নি চরা হেল্লকখি।

ঙসি চরা হেল্লিবা অনা হজারেদা স্কুলগী অঙাং অনীনা য়ুবি মহী পীথকপগা লোয়ননা মহাক্কী খোঙজং অদু লোইশিনখি।

অনা হজারেনা ফোঙদোকখিবদা, পার্লিয়ামেন্টরি সেলেক্সন কমিটিবু মহাক্লা রালেগান সিদ্ধি অমসুং লৈবাক অসিগী মীয়ামগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লি। লোয়ননা পার্লিয়ামেন্টতা বিল অদু হাউস অনীমক্লা ময়েক শেংনা পাস তৌরকপদা থাগৎলি। পাস তৌরিবা বিল অদুনা লৈবাক অসিদা করপশন লাকশিনবদা মতেং ওইরগনি। লোয়ননা লায়রবা প্রজাশিংনা মদুগী কান্নবা ফংগনি হায়খি।

লো ওইগদৌরবা লোক পাল নৎত্রগা নেশনেল ওম্বুদসমেননা করপশনগী মায়োক্তা মীয়ামগী মীহুৎশিংগী মথক্তা থীগৎপা ঙম্লগনি।

পার্লিয়ামেন্টরি সেলেক্সন কমিটিনা বিল অদু কয়ারক হন্না শেমদোক শেমজিন তৌরবা মতুং মীয়াম্না অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিংনা অমত্তা ওইনা য়ানবা মওংদা অপ্পর হাউসতা অমুক হন্না পুখৎলকখি। অচৌবা পার্টিশিংনা য়ারবসু সমাজৱাদি পার্টিনদি বিল অদু পুথোরকপগী মায়োক্তা হাউসতগী মপান থোকখি।

রাজ্য সভাদা বিল অদু পাস তৌননবগীদমক পূং ৫ চুপ্পা খন্ন-নৈনখি।

অরবিন্দ কেজ্রিৱাল অমসুং মহাক্কী আম অদামি পার্টিনা দিল্লিদা কংগ্রেসপু মায়থীবা পীখ্রবা মতুং বিল অদুবু সপোর্ট তৌখিবনি। দিল্লিদা সরকার শেম্বা ঙমদ্রবদি মথং চহীগী মে থাদা জেনরেল ইলেক্সন অমসুং পাঙথোকপা দরকার ওইরিবনি। কেজ্রিৱালনা অমোৎ রাজনিতিশিং শেংদোক্কনি হায়না ৱাশক্তুনা কেম্পেন চত্থখি। লোয়ননা গ্রাসরূট মুভমেন্ট অদুদা অচৌবা মফম অমা কনবা ঙমখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা ইং ২০১১গী বিল অদু অমুক হন্না পুথোরকখিবনি হায়রি।

কেম্পেন অদু অনা হজারেনা লুচিংদুনা লৈবাক শীন-থুংনা প্রোটেষ্ট চত্থখিবনি।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### অঙকপা টনেল খরা

*চীং হুৎলগা অমদি তম্পাক্কী লৈনুং হুৎলগা পেসেঞ্জর ট্রেনগী লম্বী শেম্বা তাবদা হৌজিক মতমদদি অনৌবা অমদি ঙকপা ওইদ্রে। অদুবু সমুদ্রগী লৈখা-লৈনুংদা টনেল হুত্তুনা পেসেঞ্জর ট্রেন চেলহনখিবসি চহী ২০ হেল্লকখ্রবসু অঙকপা অমা ওইনা অদুমক থোক্লি। মালেমগী ওইনা কেন্টতা লৈবা তাইলর হিল টনেল সিনা ইহান হানবা লৈনুংগী টনেল ওইরি। পেসেঞ্জর ট্রেন চেন্নবা তাইলর হিল টনেল অসি মিটর ৭৬৬ খক শাংই – ইং ১৮৩০গী মে তাং ৪দগী টনেলসিদা ট্রেন চেনবা হৌখি। অদুগা ঈশিং মখাদা শেম্বা ইহান হানবা ট্রেন টনেল অসিনা লণ্ডনগী ৱেপ্পিংদা লৈবা থেমস টনেলনা ওইরি। হায়রিবা ঈশিং মখাগী টনেল অসি ইং ১৮৬৯ দগী ট্রেন চেনবা হৌখি। অদুগা খ্বাইদগী ঙক্লা থোকপা ঈশিং মখাদা শেম্বা ট্রেনগী টনেল অসিনা জপানগী সৈকান টনেলনা ওইরি। ইং ১৯৮৮ দগী শীজিন্নবা হৌখিবা সৈকান টনেল অসি কিলোমিটর ৫৩.৮৫ শাংই। টনেল অসিগী কিলোমিট ২৩.৩গী শরুক্তি সমুদ্র লৈখাদগী মিটর ১০০ লুথনা শেম্বা টনেলনি। সৈকান টনেলসিনা হোনসু অমদি হোক্কাইদো হায়বা জপানগী ঈথৎ অনী অসি সমুদ্র লৈখাগী লম্বীদা শম্নহল্লি। হৌজিক টনেল হুৎপগী থবক চত্থরিবা স্বিটজরলেন্দগী ইং ২০১৫ দা লোইগদবা গোটথারদ বেজ টনেলনা কিলোমিটর ৫৭.০৭ শাংদুনা মালেমগী খ্বাইদগী শাংবা টনেল ওইগদৌরি।*

## ইস্লামিক কাওন্সিলনা সোনিয়া অমসুং রাহুলবু কন্দেম তৌখ্রে

*বাহরাইচ, দিসেম্বর ১৮ঃ* ইন্দিয়ন ইস্লামিক কাওন্সিলগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট হমিদ আলিনা য়ু পি এগী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধি অমসুং এ আই সি সিগী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে।

মখোয়না হোমো সেক্সুয়েলবু শৌগৎলি হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা সুপ্রিম কোর্টনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনগী সেক্সন ৩৭৭কী মতুং ইন্না পীখিবা ৱারোল অদু তরাম্না ওকই হায়খি।

সুপ্রিম কোর্টকী ৱারোল অদুদা হোমো সেক্সুয়েল হায়বসি মহৌশাগী লীচৎ নত্তে। কোর্টনা থৌওং অদুবু দন্দি ফংনিংঙাই ওইবা ৱাফম্নি। লোয়ননা খ্বাইদগী চাউবা দন্দি ফংনিংঙাই ওইবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। হমিদ আলিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হোমো সেক্সুয়েল হায়বসি অরানবা থবক অমনি। মদু মহৌশাগী ওইবা লীচৎ নত্তে, পাপ অমনি। লোয়ননা ইস্লামগী নিয়ম মতুং ইন্না চৎনবা য়ারোইদবা অমনি।

দিল্লি হায় কোর্টনা ইং ২০০৯দা তাখিবা ৱায়েল অদুবু ককথৎখিবা অদু অচুম্বনি। কোর্ট অদুনা চৎনবী অমসুং ধর্ম্মগী মতুং ইন্না য়েংলগা ফোঙদোরকখিবা শীংথানিংঙাই ওইরবা ৱাফম্নি। হোমো সেক্সুয়েল হায়বসি কৈদৌঙৈদসু আইন য়াবা থবক অমা ওইনা ওন্থোক্লোইদবনি। হোমো সেক্সুয়েল অমদি অন-নেচরেল ওই, অমোৎপা থবক অমনি। মদুনা কিনিংঙাই ওইরবা অনাবা এইদ্সপু মশীং হেনগহিনবা য়াই হায়খি।

## মিদ ডে মিলগী চাক্তা লিজার্দ য়াওরম্লে



*পটন, দিসেম্বর ১৮ঃ* স্কুল অঙাংশিংগী মিদ ডে মিলগী চাক্তা লিজার্দ (চুম) য়াওরম্বদগী ছাত্র ১০৬ হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখ্রে। মখোয়গী মনুংদা অঙাং অমা নৎত্রগা অতৈদি হোস্পিটাল অদুদগী দিসচার্জ তৌখ্রে।

বিহারগী সিওহর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা স্কুল অমগী মিদ ডে মিলগী চাক থোংবদা হায়রিবা লিজার্দ অদু য়াওরম্বা থেংনরকখিবনি। সুগিয়া কটসারিগী স্কুল অদুদা ছাত্র ৩৫০ চাননবা চাক অদু থোংখিবখিবনি। ছাত্রশিং অদুগী মরক্তগী অমনা মহাক্কী চানবা চাক অদুদা লিজার্দ অদু য়াওরম্বা থেংনবদগী অকিবা পোক্লখি।

ছাত্রশিং অদু হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়েংলবা মতুং দিসচার্জ তৌখি। অদুগা ছাত্র অমখক্তমক লায়ংবা দরকার লৈবদগী হোস্পিটালদা লৈহৌখি হায়না সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস হিমানসুর সঙ্কর ত্রিবেদিনা হিন্দু পাউচেদা ফোঙদোকখি। হোস্পিটালদা পুখৎলকখিবা ছাত্রশিং অদুদা পেথোলোজিকেলগী ওইবা সিম্পটোম্প অমত্তা ফংবা ঙমখিদে। মখোয়দা ওনিংবা নৎত্রগা লাইহৌ হৌবগী লায়ওং লৈতে হায়রি।

চুম অদুগী মকোক অমা অঙাংশিং চানবা চীঞ্জাক মরক্তগী ফংবা ঙমখ্রে। পোৎশক অদু ফোরেন্সি ইগজামিনেশনগীমক থাখ্রে হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশনগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি এদ্যুকেশন অমরজিৎ সিনহানা ফোঙদোক-খিবদা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েংখিবা অঙাংশিং অদুগী হকচাংগী ফীভম অকায়বা অমত্তা লৈত্রে। থোকখিবা থৌদোক অদুগীদমক থীগৎতুনা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমসুং মিদ ডে মিল ওফিসরদগী রিপোর্ট কৌখ্রে হায়রি।

## মাওইষ্টশিংনা সিমদেগাদা লৈবা পেট্রোল পম্প অমদা বোম প্লান্ট তৌরম্লে

*রাঞ্চি, দিসেম্বর ১৮ঃ* মাওইষ্টশিংনা ঝর্খন্দগী সিমদেগাদা লৈবা পেট্রোল পম্প অমদা বোম প্লান্ট তৌরম্বগা লোয়ননা গাড়ী অমা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে।

পুলিসকী পাউদা মাওইষ্টকী গুরিল্লাশিং অদুনা ঙসি অয়ূক সিমদেগা দিষ্ট্রিক্টকী কোলিবেরা লমদমদা লৈবা পেট্রোল পম্প অমদা বোম থমজিন্দুনা পোকখায়হন্নবা হোৎনরমখি। হায়রিবা মফম অদুদ রাঞ্চিদগী কিলোমিটর ১১০রোম চৎলগা লৈবা মফমদনি হায়রি।

মাওইষ্টশিং মপাঙ্গল কনখৎ-লকপগা লোয়ননা ষ্টেট অদুদা মখোয়বু থেংননবা হোৎনবদা অচৌবা প্রোব্লেম অমা মায়োক্লরি। অতোপ্পা থৌদোক অমদা রাঞ্চি-খুটি নেশনেল হায়ডেদগী ঙসি মাওইষ্টশিংনা গাড়ী অমা মৈ থাদুনা মাঙহন-তাকহনবগী থবক চত্থখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট অদুগী দিষ্ট্রিক্ট ২৪গী মনুংদা মাওইষ্টশিংনা দিষ্ট্রিক্ট ১৮দা এক্টিভ ওইনা থবক চত্থরি। সিমদেগা দিষ্ট্রিক্টকী পেট্রোল পম্পতা বোম থমজিন্দুনা পোকখায়হন্নবা হোৎনখিবা অদু মাওইষ্টশিংনা সরকারগী লন-থুম মাঙহন্নবা হোৎনবগী থৌরাং অমনি হায়রি।

## বেঙ্ক ইমপ্লোয়ীশিং ষ্ট্রাইক চত্থখ্রে

### এ টি এম বূটশিং লুপা অমফাও য়াওখিদ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৮ঃ* ঙসি বেঙ্ক ইমপ্লোয়ীশিংনা ষ্ট্রাইক চত্থখিবনা মরম ওইদুনা বেঙ্ককী থবক থৌরম খূদীংমক লেপখ্রে।

নোংমগী ওইনা য়ুনাইটেদ ফোরম বেঙ্ক য়ুনিয়ন্না চত্থখিবা ষ্ট্রাইক অদুনা ওটোমেটেদ টেলর মেছিন (এ টি এম) শিং লুপা অমফাওবা চিংথোকপা য়াখিদ্রে। ঙসি নুমিৎয়ুংবফাওবা টামিল নাডুগী এ টি মি বুটশিংদা লুপা অমফাওবা য়াওরমখিদে।




য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক (য়ু বি য়ু)গী ষ্টেট কনভেনর সি এম বসকরননা হায়খিবদা বেঙ্ক ইমপ্লোয়ী লাক্ষ অমা হেনবা অমসুং তোঙান তোঙানবা পব্লিক সেক্টরশিংগী বেঙ্ক ওফিসরশিং, প্রাইভেট বেঙ্ক অমসুং ফোরেন বেঙ্ককী ষ্টাফশিংসু ঙসি চত্থখিবা অদুদা শরুক য়াখি।

ষ্ট্রাইক অদু বেঙ্ক ইমপ্লোয়ীশিংগী তলব রিভাইস তৌননবা অমদি বেঙ্গিং সেক্টরশিং নৌনা শেমদোক-শাদোক্লবা তকশিন্দুনা চত্থখিবনি। ওল ইন্দিয়া বেঙ্ক ইমপ্লোয়ী এসোসিয়েশন জোইন্ট সেক্রেটরি আর বিজয়াকুমারগী মতুং ইন্না ষ্টেট অদুদা ইমপ্লোয়ী ১১,২৩২ লৈ। লোয়ননা এ টি এম বূট ৭,৬৫২ চল্লাইরি। চেন্নাইখক্তদা তোঙান তোঙানবা ব্রাঞ্চশিংদা ইমপ্লোয়ীশিং ১,৪০০ লৈ। লোয়ননা এ টি এম বূট ৫০০ লৈ হায়রি।

লৈবাক অসিগী বেঙ্ক ওফিসর লাক্ষ ১.২ অমসুং ইমপ্লোয়ী খূদীংমক্লা ষ্ট্রাইক অদুদা শরুক য়ারি। বিজয়কুমারনা মখা তানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, ফোরেন বেঙ্ক একচেঞ্জ অমদি কর্ম্মসিয়েল ট্রান্সেক্সনশিংদা চ্যেক ক্লিয়ারেন্স তৌবা য়াওনা থবক পূম্নমক লেপখি।

ষ্ট্রাইক অদুনা মরম ওইরগা মীয়াম্না পাখৎপগা লোয়ননা এ টি এম বূটশিংদগী শেল কা-হেন্না লৌথোক্লখি। ঙসিগী ওইনদি বূটশিং অদুদা শেল হাপচিনবগী থবক অমত্তা চত্থখিদে। হীরম অদুদা মখা তানা শেংদোক্লদুনা ভাস্করননা হায়খিবদা, মখোয়বু নমদুনা ষ্ট্রাইক তৌননবা ইনশিনবনি। মরমদি মখোয়না মখোয়গী তলবগী মতাংদা তানখিবা দিমান্দশিং অদু থবক ওইনা পাঙথোরকখিদে।

বেঙ্ক ইমপ্লোয়ীশিংগী খূৎশুমনগী মতাংদা লৈবা সেট্টলমেন্ট অদু চৎলিবা চহী অসিগী ওক্টোবর ১২দা লোইশিনখ্রবনি। মমাঙ চহীদগী মেনেজমেন্ট কাঙবুগা য়াশিন্নবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

ইন্দিয়ন বেঙ্ক এসোসিএশন্না মমাঙগী থাংজ নুমিত্তা ফংখিবা ৱারোলশিং অদু য়াবা ঙম্বগী ৱাংমদনি। ইন্দিয়ন বেঙ্ক এসোসিএশন অমসুং য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়নগা ন্যু দিল্লিদা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মীটিং পাঙথোক্তুনা য়াশিন্ননবা হোৎনখি। অদুবু মীফম অদু মায় পাকখিদবনা মরম ওইরগা য়ুনাইটেদ ফোরম বেঙ্ক য়ুনিয়ন্না ষ্ট্রাইক অদু চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়রি।

নেশনেলাইজ বেঙ্কশিংগী মেনেজরশিংনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্ট্রাইক অদুদা মখোয়বু শরুক য়ানবা ৱারেপ লৌখি। মদুনা বেঙ্ককী থবকশিংদা অকায়বা থোকহনবগা লোয়ননা এ টি এম বূটতগী মীয়াম্না দরকার লৈবা শেলশিং লৌথোকপা ঙমখিদবনি হায়রি।

## নরেন্দ্র মোদিগী দরৱাদা পাঙথোক্কদবা রেল্লিদা বি জে পি মশাগী ওইবা সেক্যুরিটিনা ঙাক-শেনগনি



*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৮ঃ* ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী প্রাইম মিনিষ্ট্রিয়েল মীরেপ ওইরিবা নরেন্দ্র মোদি গুগল্সকী রিপোর্ট মতুং ইন্না মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না মীৎয়েং চঙলিবা মীওই ওইরে। অদুগা চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা পাউচেশিংদা খ্বাইদগী হেন্না পাউ ইনখিবা মীওই অমসু ওইরে হায়রি।

পৃথিবীগী ওইনসু মহাক্কী মরমদা থিজনবা হেনগৎলক্লি। মহাক রাজনিতিৱালাশিংগী কাঙলুপ্তা ১০ শুবা পোজিশন্দা লৈরিবা কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিগী মথংদা সোনিয়া গান্ধি লৈরি। অদুগা প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ অমসুং টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর জয়াললিতানা ৫শুবা টোপ রেঙ্কতা লৈরি।

আম অদামি পার্টিগী অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা মদুগী মথংদা লৈরি অদুগা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর অখিলেস য়াদব, বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমার, কংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি দিগবিজয় সিংহ অমসুং লোক সভাগী ওপোজিশন লুচিংবী সুসমা স্বরাজনা লিষ্ট অদুগী মথং-মনাও ওইনা লৈরি।

নরেন্দ মোদিগী দরৱাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রেল্লি অদুদা বি জে পিগী ওইবা মশাগী সেক্যুরিটি কাঙবুনা ঙাক-শেনগনি হায়না পাউগী লীখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

## সরকার শেম্নবগীদমক কেজ্রিৱালনা মীয়ামদগী ফোন পোল অমসুং এস এম এস পাম্লি

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৮ঃ* আম অদামি পার্টিনা হৌজিক সরকার শেম্বগী মতাংদা পুক্নিংগী চরাংনবা ফীভম অমা মায়োক্লরে। অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা ঙরাং হায়খিবদা দিল্লিদা সরকার শেম্বা হায়বদু দিল্লিদা লৈরিবা মীয়ামগী অপান্বগী মতুং ইন্না চত্থগনি।

দিল্লিগী মীয়ামদা মখোয় মখোয়গী ওইবা অপান্বশিং অদু এস এম এস, ফোন কোল অমসুং সোসিএল মেদিয়াগী খূথাংদা পাউ খঙহল্লক্লবা অমদি পার্টি অদুনা সহর অদুগী মফম খূদীংমক্তা পাউশিং অদু খোমজিন্নবা থৌরাং পায়খৎলে। মীয়ামগী অপান্বশিং অদু লাক্লিবা নোংমাইজিং ফাওবদা লৌখৎকনি। মদুগী মতুং নিংথৌকাবা নুমিৎতা ৱাফম অদু মীয়ামদা খঙহনগনি।

অপান্বগী মতুং ইন্না দিল্লিদা সরকার শেম্নবগীদমক আম অদামি পার্টিনা কংগ্রেসকী মতেং লৌগদ্রা নৎত্রগা লৌরোইদ্রা হায়বদু লেপকনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক ফাওবদা মীওই লাক্ষ ৩দগী এস এম এস অমসুং মীওই লিশিং ৩৫দগী ওন লাইনদা পাউ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং ফাওবদা পীরকখ্রে।

আম অদামি পার্টিদা লৈরিবা পূক্নিংগী চরাংনবা অদু ফোঙদোক্লদুনা কেজ্রিৱালনা হায়খিবদা, কংগ্রেসকী করপশনগী ওইবা ফীভম অমদি বি জে পিগী ওইরিবা কম্যুনেলগী ওইবা রাজনিতিশিং অদু আম অদামি পার্টিদা থংজিল্লক্লবদি মখোয়না পীগনি হায়বা মতেং হায়বদু করম্না লৌগনি। মীওই খরনা হায়, আম অদামি পার্টিনা হায়রিবা ফীভম অদুদগী লাপথোক্লবা লৈগদবনি।



আম অদামি পার্টিনা পার্টিশিং অদুগী মতেংগা লোয়ননা সরকার শেম্বা ঙমগনি। অদুবু মখোয়না শৌগৎপা তোকখ্রবদি করি ওইগনি। পার্টি অদুদা প্রজাশিংনা পারা অমা শোয়দনা তম্বীরগনি। অতোপ্পা মীওইশিংনা অসুম্না হায়, পার্টি অদুনা কংগ্রেস অমসুং বি জে পিনা পীরিবা সপোর্ট অদু য়াবা তৌদনা অনৌবা মীখল পাঙথোকপনা চুমগনি।

নাকল অমরোমদা, কংগ্রেস পার্টিনা লোক সভা মীখল ফাওবদি শোয়দনমক শৌগৎকনি। মদুগী খুদোংচাবা অদু লৌদুনা সরকার শেমগদবনি। লোয়ননা এ এ পিনা তৌবা ঙম্বা অদু উৎকদবনি হায়না ফোঙদোরকপসু য়াওরি।

হৌজিক পার্টি অদুনা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু হায়বীরকউ। পার্টি অদুনা ক্লোজ দোরদা মখোয়গী ওইবা ফিরেপ লৌরোই। মীয়াম্না হায়রকপা অদু তৌগনি হায়রি।

কেজ্রিৱালনা পাউমীশিংনা ফোঙদোকখিবদা, পার্টি অদুনা মীয়ামদা য়েন্থোক্কদবা চিঠি লাক্ষ ২৫ থৌরাং তৌরে। ম্যুনিসিপাল ৱার্দ খূদীংমক্কী জন সভা লৈ। মখোয়গী অপান্বসু লৌগনি। মদু হাথু-হাথুনদি চত্থরোই। ষ্টেট অদুদা প্রসিদেন্ট রুল থমখ্রবসু পার্টি অদুনা সরকার শেম্বা ঙম্বগী মশীং ফংলবদি সরকার শেম্নবা ক্লেম তৌগনি হায়খি।

দিল্লি এসেমব্লি মীখলদা পার্টি অমত্তনা সরকার শেম্ননবা চপ চাবা সীট মশীং ফংদবনা দিল্লিদা হং এসেমব্লি ওইবগী ফীভমদা লৈরকখি। মীখল অদুদা বি জে পিনা সীট ৩২, আম অদামি পার্টিনা সীট ২৮ অদুগা কংগ্রেসনা সীট ৮ ফংখি। অতোপ্পা পার্টিনা সীট ২দা মায় পাকখি। সরকার শেম্বা য়াবগী ওইথোকপা য়াবা ফীভম লৈতবনা দিল্লিগী লেফটনেন্ট গভর্ণর নাজিব জংনা প্রসিদেন্ট রুল থম্নবা রেকমেন্দ তৌখিবসু লৈখ্রে।

## অসামগী দিব্রুগড় দিষ্ট্রিক্টতা বোম পোকখায়খ্রবা মতুং সেক্যুরিটিনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে

*গুৱাহাটি, দিসেম্বর ১৮ঃ* অসামগী দিব্রুগড় দিষ্ট্রিক্টতা মিলিটেন্টনি চিংনবশিংনা বোম পোকখায়হন্দুনা ইনখৎলক্লিবী নুপীমচা অমা শিহনখিবা অমসুং মীওই ৯ অশোক অপন নংহনখ্রবা মতুং অসাম শীনবা থুংনা সেক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট খূদীংমক্কী ওথোরিটিশিংনা সেক্যুরিটিগী ওইবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা অমসুং পেট্রোলিং হেন্না কনখৎহন্নবা থবক লৌখৎখ্রে। মদু পামদবা থৌদোকশিং থোক্লংকপা থিংনবনি হায়না ওফিসিএল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

কামরূপ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশন্না দিষ্ট্রিক্ট অদুদা ইন্সরজেন্টশিংগী থবক থৌরমশিং থিংনবগীদমক অনলো-ফুল এন্দ দিসরপটিভ এক্টিভিটিজগী মখাদা অথিংবা থমখ্রে।

এদিশনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট মনিচন্দ্র শর্ম্মনা থোকখিবা ওর্দর অদুনা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা মীওই ৫দগী হেন্না পূনবা অমদি মী শিবা য়াবা খুৎশু-খুৎলায়শিং মীয়াম তিনবা মফমদা পুশিনবা থিংখ্রে।

ওথোরিটি অদুনা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা প্রোসেসন চৎপা, স্লোগান লাউবা অমদি মীয়াম তিনবা মফমদা লাউদ স্পীকর শীজিন্নবসু অথিংবা থমখ্রে।

মরু ওইবা ইন্সটোলেশনশিংগী মিটর ১০০না কোনবা মফমশিংদা মী চঙবদসু অথিংবা থমখ্রে। অথিংবা থমখ্রবা মফমশিং অদুদি রিফাইনরি, ওইল পাইপ লাইন, ষ্টেট ইলেক্ট্রিসিটি বোর্দ ওফিস, বি এস এন এল ওফিস অমসুং এল পি জি বোট্টলিং প্লান্টশিং য়াওরি।

## দিপ্লোমেট দেবয়ানি খোব্রাগাদে ফাবদু লৌতুনবনি

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৮ঃ* ইন্দিয়ন কন্সুল জেনরেলনা দিপ্লোমেট দেবয়ানি খোব্রাগাদেবু সহর অদুমক্তদা লৈবা য়ু এন পর্মনেন্ট মিশন্দা থদোকখ্রে। মমাঙ চয়োলদা মহাকপু ভিসা ফ্রাওদ কেসকা মরী লৈননা ফাজনখিবনি।

য়ু এস সরকারনা ফাজিনখিবা অদু অচুম্বনি হায়না ফোঙদোক্লবা হোনিরি। ভিএটনা কনভেন্সনগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ন দেপ্যুটি কন্সুল জেনরেলদা য়ু এস জুরিদিক্সন কোর্টকী মতুং ইন্না পীফম থোকপা এম্যুনিটি পীগনি হায়না য়ু এস দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সপর্সন মেরি হফনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী কন্সুল দেবয়ানি খোব্রাগাদে ফাখিবা অদু চাউনা লৌতুনবনি হায়বগা লোয়ননা মহাকপু য়ু এন মিশন্দা থংদোকখ্রে।